হুইয়েন লানপাও
HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses

মেনপেকনা লাউ-থোকখিবা খোঙজং শৌগৎলদুনা কক্ৱা কৈথেল মপাদা মীয়াম্না লন্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লকপদা পুলিসনা মোক বোম লংশিন্দুনা তান-খায়নবা হোৎনবা


লামায় ১

স্বাজ ভারত যাত্রদা ইম্ফাল অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্ট মনা ফংলকপগী নুংঙাইবা ফোঙবা থৌরমদা হেল্থ দিরেক্টর ডা. রাজোনা দি সী নোনে হুংয়োদা এপ্রিসিএসন এৱার্দকী সাটিফিকেট খুৎশিন্নবা


লামায় ১

সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬গী মায়োক্তা শীংজমৈ পার্কিংদা মীয়াম্না লন্বী নাকল অমা থিংদুনা খোঙজং চঙশিনখিবগী শক্তম অমা


লামায় ১

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী চেলেপ খুলদগী ফীভম থীনা মৈনা পোল্লবা চহী ২ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমা তেংনৌপলদা লৈবা অসাম রাইফলসকী য়ুনিট হোস্পিটালদা লায়কন্নখিবগী শক্তম



Vol. 42, Issue No.313 | ইরাই, ফাইরেন হুম্নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, February 08, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## HL POLL

**Q :** Puknunggi angang nupini khangdoklaga hatpagi thouong mapung fana thingba ngamle haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q :** Shibagi cheirak pinaba khanghankhibana nupigi mayokta chatthaba crime hanthahangani khanbra?

Yes 75% No 25%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## অস! লোইরেহে!

খুরাবু পোজরিবসি অহল-লমনবু এম এল এনা নুংশিবা উৎনবা শো তৌজবনি...!



চুম্মী ইবুংঙো মসি নৎত্রগদি মথং ভোট কারোই...!

# পোলো গ্রাউন্দ গেট ময়াদা বোম অনী পোকখায়খ্রে, এ আর ৩ য়াওনা ৪ শোক্লে

## চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৭ (ঐচএন এস): সিক্যুরিটি কুঙনা লৈবা ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দগী গেট ময়াদা বোম অনী পোকখায়বদা ৬শুবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল অহুম য়াওনা মীওই মরি শোক্লে। বোম পোকখায়হল্লম্বগী থৌওং অদু চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউনা হায়, পোলো গ্রাউন্দগী মনিং থংবা গেট ময়াদা ঙসি নুমিদাং-ৱাইরম পুং ৬.১৫ রোম তাবদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অনি লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বনি।



থৌদাক অদুদা ৬শুবা অসাম রাইফলসকী হবিল্ডার বি আর প্রজাপটি (৪৪) অপোকপা বক্সি রাস, ৱারেন্ট ওফিসর ওইরিবা হবিল্ডার বিন্দি কুমার নাথ (৫১) অপোকপা বিরেন্দ্রা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

ভোটর হেল্পলাইন নম্বর লোঞ্চ তৌখ্রে

# মীয়াম্না মীখলগা মরী লৈনবা ৱাকৎশিং থাঙ্গৎপদা খূদোংচারগনি : পি কে সিংহ



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৭(ঐচ এন এস): লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা তৌবগুম মণিপুরদসু ঙসি ইলেক্টোরেল দিষ্ট্রিক্ট ১১ দা ভোটর হেল্পলাইন নম্বর ১৯৫০ লোঞ্চ তৌখ্রে। কনাগুম্বনা ভোটর রেজিষ্ট্রেসন, এপ্লিকেসনগী ষ্টেটস নৎত্রগা ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওবা মিং চেক তৌনিংলবদি লেন্দলাইন নৎত্রগা মোবাইল ফোনদগী নম্বর অসিদা কোল তৌরগা খঙবা য়ারগনি।

হৌনবী মতুংইন্না হেল্পলাইন নম্বর লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর পি কে সিংহনা হায়খি, ইন্দিয়াগী মফম খূদিংমক্তা অহানবা ওইনা ভোটর হেল্পলাইন নম্বর লোঞ্চ তৌবনি। মণিপুরগী ইলেক্টোরেল দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা থৌরাং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা খূদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লখি। থৌরাং অসিনা ভোটরশিংদা চাওনা মতেং ওইনরগনি। কনাগুম্বনা নম্বর অসিদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# সিটিজনশিপ বিল : মীয়াম্না লন্বীদা ৱাকৎ মীফম ফম্বগী খোঙজং পাক শন্না চথখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৭ (ঐচ এন এস): সিটিজনশিপ বিলগী মায়োক্তা মণিপুর পিপল এগেনষ্ট সী এ বি ২০১৬ (মেনপেক)না লাউথোকখিবা খোঙজং শৌগৎলদুনা মীয়াম্না লন্বী ময়াইদা ৱাকৎ মীফম ফম্বগী খোঙজং পাক শন্না চথখ্রে।

নেসনল হায়ৱে ১০২গী শরুক ওইরিবা শীংজমৈদগী লিলোং ফাওবগী মরক্তা লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মীয়াম্না লন্বী তঙ্খায় থিংজিল্লগা ৱাকৎ মীফম ফম্লখি। শীংজমৈ পার্কিংদা মীয়াম্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ফোটো য়াওবা পোষ্টর শেগায়দুনা মৈ থাখি। কক্ৱা কৈথেল মপাদসু মশীং য়াম্লবা নুপীশিংনা লন্বী থিংদুনা প্রোটেষ্ট তৌখি। লন্বী থিংখিবা প্রোটেষ্টর অদু তানখায়নবা পুলিসনা মোক বোম পোকখায়-হনখি। মদুদা নুপী ৩ রোম ৱাস্থখি।

য়াইস্কুল, হিজম য়াইচম্পাৎ, লোল্লাওবুং, শীংজমৈ থোকচোম লৈকাই, শীংজমৈ ময়েংবম লৈকাই, খা-নাওরেম লৈকাই, থোংজু পেচু লম্পাক, কাঞ্চিপুরনচিংবা মফম-শিংদসু লন্বী তঙ্খায় থিংদুনা ৱাকৎ মীফম চথখি। শীংজমৈ চীংঙামখা মোদেল ক্লব মমাংদা মীয়াম্না লন্বী থিংদুনা ৱাকৎ মীফম চথখি। মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মেন-পেককী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# স্বাজ ভারত যাত্রদা ইম্ফাল অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্ট মনা ফংলে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৭ (ঐচ এন এস): ফুদ সেফটি ষ্টেন্দার্দ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎশিং য়াওনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা চথখিবা স্বাজ ভারত যাত্রদা থবক নীংথিনা তৌবগীদমক নোনে অমদি ইম্ফালদা এৱার্দ পীরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা হেল্থ দাইরেক্টোরেটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা হেল্থ সার্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা হায়খি, ফুদ সেফটি ষ্টেন্দার্দ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎ কয়া য়াওনা মমাঙ চহীগী ওক্তোবর ১৬ দগী চথবা হৌখিবা ইন্দিয়াগী মফম কয়া শীনবা থুংনা চৎপা স্বাজ ভারত যাত্রদা ইম্ফাল অমদি নোনে দিষ্ট্রিক্টতা মনা পীরকখি। মনা অসি রেল্লি অসিগী মনুং চন্না পাঙথোকপা থৌরমদা মপুং ফানা চথখিববু শকখঙদুনা পীরকখিবনি। মিনিষ্ট্রিগী ষ্টাফ কয়াসু রেল্লি অদুদা শরুক য়াবনি। রেল্লি অসি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# কম্মান্দোনা ফারগা লুপা লাখ ৫০ দিমান্দ তৌই হায়বা ৱাকৎকী মতাংদা কম্মিসননা কেস লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা মীওই অমা নমদুনা ফারগা পুলিস ষ্টেসন অমগী কষ্টদিদসু থমদনা লন্নাই ওইনা মফম অমদা নুমিৎ ১২ নি থমদুনা টোর্চর তৌরগা লুপা লাখ ৫০ পীননবা দিমান্দ তৌই হায়বা কমপ্লেন্টদগী মণিপুর হ্যুমেন রাইট্স কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)না কম্মান্দোশিং অদুগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

কম্মিসননা পুলিস কম্মান্দোশিং অদুগী মথক্তা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অদুনা কমপ্লেন্ট কেস নম্বর ২৭ ওফ ২০১৯ নি। কেস অসিগী কমপ্লেনেন্ট অদুনা রাজ খান কৌই। অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী লক্ষিপুরগী বান্সকান্দি পার্ট-থ্রীদগীনি হায়রি।

কেস অসি নেসনল হ্যুমেন রাইট্স কম্মিসন (এন ঐচ আর সী)না ...মখা লামায় ৩ কলম ৩



HL-P/3363/28/01-26/02



HL-B/5186/08



HL-B/5190/08